# গঞ্জা থকসি হায়বা নত্তে থাসি হায়বনি : খুরাই

ইম্ফাল,ওক্টোবর ১৫(এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্লা গঞ্জাবু আইন্না য়াবা মওংদা থাহনগনি হায়বসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি হায়না খুরাই মায়কৈগী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি শুরি নোংলিবশিংগী অপুনবা ওইরিবা কো–ওদিনেটিং বোদি খুরাইনা লৌই।

হায়রিবা খোঙথাং অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা হেরোইন নম্বর ৪ গী খয়াৎতগী থরদং ওইরবসু কনবা ঙমগনি মতম অমদা গঞ্জা থাবা য়ারিঙৈ মতমদা মণিপুরদা হেরোইন নম্বর ৪ শুংলিবা কানী পান্থী (ওপিয়ম) থাবদা পক্লে হায়বসি মীওই খরা খঙনবা নৎতনা মীয়াম্না খঙনরমদে। অদুবু গঞ্জা অসি য়ু এস এ না ময়াই কাবা দ্রগকী কাঙলূপ্তা চিংহনবদগী মতমদুগী লৈঙাক্লা অৱাইবা দিফিনিসনদুনা ইন্দিয়াদা গঞ্জা থিংখিবদগী অয়াম্বা গঞ্জা থানরম্বা মীওইশিংনা ঙসিদি য়াম্লবা কানি পান্থীশিং (ওপিয়ম) চীংমাইশিংদা থানরক্তুনা হেরোইন নম্বর ৪ পুথোকফম ওইদুনা ঙসিদি মণিপুর নোংমা নোংমগী অনীশুবা গোল্ডন ট্রেঙ্গল ওইরক্লি। মতম অমদা মণিপুরদা অকনবা মওংদা য়ু থিংখিবা মতমদুদা নিশা পামজবা মীওইশিংনা মফম খুদিংদা লাইনা ফঙবা গঞ্জানা য়ুগী মহুৎ শিনখিদে। অসিনা তাক্লি মদুদি গঞ্জা অসি ইরমদমসিদা ময়াই কাবা নিশা ওইনা শীজিন্নবদা চুনবা নিশা নত্তে। অসিনা তাক্লি গঞ্জা অসি অতোপ্পা মফমদা ময়াই কাবা নিশা ওইরবসু ইরমদমসিদদি মীয়াম্না পাম্নবা ময়াই কাবা নিশা ওইদে হায়বসিনি (ৱাফমসিদা গঞ্জা অসি নিসা ওইদে হায়বদি নত্তে হন্থবা থাক্কী নিশা ওই হায়বনি)।

নৈনগদবা ৱাফমদ – গঞ্জা অসি নৌনা মণিপুরদা পুশিল্লক্লগা থাসি অমদি ময়াই কাবা নিসাশিংগী মহুৎ শিনসি হায়রবা নৎত্রগা গঞ্জা অসি আইন্না য়াবা মওংদা থাসি হায়বরা। থাইনদগী গঞ্জা অসি অদুমক লমদম অসিগী লৈহাওগা চুন্না মকা লাম্না হৌদুনা (থাদুনা) লাকখ্রবা পান্থীনি। খুনাইসিদা শোকহনলি নৎত্রগা শোকহন্দে হায়বদি থাবা য়ারিঙৈ মতমদা মীয়াম্না খঙহনখ্রবা ৱাফমনি। গঞ্জা অসি মীয়াম্না পাম্নবা নিশা ওইনা পাকশন্না শীজিন্নে, শীজিন্নদে হায়বসু য়ু য়াম্না কন্না মতম খরা থিংখিবা মতমদুদা খঙনখ্রবা ৱাফমনি।

ঐখোয়গী মীৎয়েংদদি গঞ্জা থাবা অমুক য়াহনলকপসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইলোমদা শোকহনগদবা নত্তে।

গঞ্জাবু ফত্তবা ময়াই কাবা দ্রগতা চিংহনখিবা লৈপাক য়ু এস এগী ষ্টেট তরাগী (১০) মথক্তা থাবা হৌখ্রবা লোয়ননা শ্রি লঙ্কাদগী য়ু এস এনা গঞ্জাগী পোৎথোকশিং লৈরিবা মতমসিদা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীবা অফবা মখলগী কৈথেলদা অতাংবা মমলদা পুথোকপা ঙল্লিবা মণিপুরদা পোৎলম অসিবু কাংখ–থাঙ তাদুনা লৈহনবা হায়বসি অশানবা মীৎয়েং নত্তে।

গঞ্জানা অনা লায়য়েংদা পীরিবা কান্নবশিং মহৌশা লাইরেম্বীনা লমদমসিদা পীরক্লিবা য়েংলগা ঐখোয়গী খুন্নাইসি চেৎনা থাগোন্নরগা গঞ্জা পাকশন্না শীজিন্নরক্তঃবা থৌশিল পায়খৎতুনা খুন্নাই অসি শোকহল্লোইদবা মওংদা মণিপুরগী শেমিৎলোন ফগৎনবা গঞ্জা থাবা য়াহন্নবা আইন খুদক্তা শেম্বীয়ু।

# নুপী অমা য়াওনা লালহৌবা অহুম ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো অমদি আসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিমনা নুপী অমা য়াওনা লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপ প্রিপাক (প্রো) অমদি প্রিপাক্কী এক্টিভ মেম্বর ৩ ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়, থা অসিগী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবা মতমদা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো টিম অনা ১৫শুবা আসাম রাইফলসকী টিম অমা পুল্লগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোপ খোঙনাংখোঙ ওতো রিক্সো পার্কিংদা ওপরেসন চথবদা লালহৌলূপ প্রিপাক প্রোগী এক্টিভ মেম্বর অমা ফারে। ফারবা মেম্বর অদুগী মমিং ৱাহেংবম পলহাদা সিংহ (২১) অপোকপা দাওজি সিংহ কৌই, ইম্ফাল ইষ্টকী ব্রহ্মপুর বামোন লৈকাই গুরু লৈরক্তগনি। মহাক থাঙ্গা তোংব্রমদগী হৌজিক্লা বামোন লৈকাইদা লৈবা বিকাস কৌবা অমগী খুথাংদা পার্টি অসিদা জোইন্ট তৌখিবনি হায়রি। মহাকপু ৱাহং পাউহং তৌবদা হায়দোরকপদগী মহাক্কা লোয়নবনি হায়বা য়ুম্লেম্বম জেসন সিংহ এলাইজ জেরোন (২১) অপোকপা ৱাই সনজয় কৌবা, ৱাংখৈ পুজা লম্পাক্তগী মীওই অমসু ময়ূমদগী ফারে। ফারবা অনীমক্কী মথক্তা পোরোম্পাট পুলিস ষ্টেসনন্না কেস অমা লৌখত্তুনা থিজিনবা হৌরে হায়রি।

অরোমদা, ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা ৬শুবা আসাম রাইফলসকী টিম অমগা পুল্লগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোংবা কৈথেল এরিয়াদা ফ্রি স্কিং এন্দ চেক্কিং চথবদা প্রিপাককী নুপী এক্টিভ কেদর অমা ফারে। ফারবা নুপী কেদর অদুগী মমিং লোইতাম(নিংঙোল) ইরেংবম ওংবী বিজিয়া লৈমা এলাইজ মালেমঙানবী (২৭) মপুরোইবা থাবুং মৈতৈ কৌই, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কুম্বী পুলিস ষ্টেসনন্না কোনবা ৱাঙু কছারতাবীদগীনি হায়রি। মহাকপু খুদক্তা ৱাহং পাউহং তৌবদা কুমজা ২০০৪দা পার্টি অসিদা জোইন্ট তৌবগা লোয়ননা পার্টি অসিগী এস এস লেন্স কোর্পোরেল ৱাঙথোই কৌবা অমগী মখাদা চহীদুমক্তা ১৮ শুবা বেটচতা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং ফংদুনা অর্মি নম্বর ১৮৫৫২ ফংলে। বেসিক ট্রেনিং অদু ফংলবা মতুং পার্টি অসিগী শেল্ফ ষ্টাইল কেপ্টেন য়াইমা কৌবা অমগী মখাদা ম্যানমারগী তমুদা থবক তৌদুনা লৈরকপনি হায়বসু খঙবা ঙম্লে হায়না পুলিসকী পাউ অদুনা মখা তারি। মহাক্কী মথক্তা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনন্না কেস অমা লৌ–খত্তুনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

# ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোইশিং দেভিস কপকীদমক পাকিষ্টান্দা চৎনিংদ্রে

নিউদেল্লী,ওক্টোবর ১৫(এস এন এস)ঃ

মথং থাদা পাকিস্তাননা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা দেভিস কপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী টেন্নিস টিমগী শান্নরোইশিংনা লৈবাক অনীগী লৈনরিবা উংখৎনবা অসিনা মরম ওইদুনা শান্নবা চৎতনবা ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসন (এ আই টি এ) দা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

মসিগী মখা তাবা খোঙথাং ওইনা এ আই টি এনা ইর্ন্টনেস্নেল টেন্নিস ফেদেরেসন (আই টি এফ) তা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ভিনিউ হোংদোক্লবা তকশিনগনি হায়রি।

এ আই টি এগী মচিন চৎপা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা উংখৎনবগী মওং অসিদা ইন্দিয়াগী টেন্নিস টিম অসিনা পাকষ্টান্দা চৎনিংদবনি। মসিগী মতাংদা আই টি এফতা টিম অসিনা অইবা চেথাদুনা দেভিস কপকী ভিনিউ হোংদোকপীনবা খঙহনখিবা লৈরে। মখোয়না করি খোঙথাং লৌ–খৎলকপগে হায়বদু য়েংখিবা তারি। মসিদসু নৎতনা এ আই টি এগী মায়কৈদগীসু অমুক্কা হন্না অইবা চেরোল পীশন্দুনা ভিনিউ হোংদোক্লবা তকশিনগনি হায়রি।

হৌখিবা সেপ্তেম্বর থাদা আই টি এফনা দেভিস কপগী ভিনিউ অসি পাকিস্তানগী ইস্লমাবাদতা তারে হায়না হেক লাওথোকখিবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মফম হোংবিনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি দেভিস কপ অসি সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু ইন্দিয়াগী জম্মু এন্দ কাস্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী মরক্তা চাউনা উংখৎনবা থোক্লককপদগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

মরম অসিনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ভিনিউ অসি হোংদোকপীয়ু নৎত্রগা মতম খরগা য়ৈথোকপীয়ু হায়না এ আই টি এগী মায়কৈদগী আই টি এফতা থল্লকখি।

# অথুবা মতমদা বারুনি থোং শেমজিন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল,ওক্টোবর ১৫(এস এন এস)ঃ

তোপ খোঙনাংখোং অমদি ক্ষেত্রিগাও ফাওনরিবা ইরিল তুরেল মথক্তা শাবা বারুনি থোং অসি মফম কয়াদা হোদুনা মী লান্থোক লানশিন তৌবদা খমথেংনা খুদোং থিবা য়াবা ফীভমদা লৈরিবা অমদি রেল্লিংগী শরুক য়াওদনা লৈরিবা অসি অথুবদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা শেমজিন্দ্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না পব্লিক ক্লবকী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট লাইশ্রম মংলেমনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংগা উনবদা এল মংলেমনা হায়, বারুনি থোং অসি মতম অমগী ক্ষেত্রিগাওগী এম এল এ ওইরম্বা এম দি মহামুদ্দিননা মিনিষ্টর ওইবা মতমদা কুমজা ১৯৮৩ দগী শাব হৌরগা ১৯৮৮ তা লোইশিনখবনি। কুইরবা মতম অসি ফাওবা শীজিন্নদুনা লাক্লিবা থোং অসি ঙসি ফাওবা রিপিয়ারিং তৌবিদনা লৈবনা ফীভম শোকচিল্লকপনি।

খুরাইএসেমব্লী কন্সটিটুয়েন্সি অমসুং ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্স–টিটুয়েন্সি অনীগী তাইনবদা লৈরিবা মীওই কয়াগী চথোক চৎশিনগী পান্থে ওইরিবা থোং অসিগী ফীভম এম এল এ অনীনসু খঙলিবনি অদুবু ঙসি ফাওবা হন্না য়েংদনা লৈরি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক ওইরিবা থোং অসিগী ফীভম অসি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওইরে। ফীভম অসিদা অদুম থল্লবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মীওই কয়া থোংদগী তাদুনা শিবা–নাবা য়াওরক্লগনি। করিগুম্বা থোং অসিনা লানবা য়াখিদ্রবা নৎত্রগা তেকখিবা থোক্লগদি নক–খ্রবা খুল অনী অসি খোঙনা চৎপদা কিলোমিটর ৫ গী মথক্তা কোয়রগা চৎলগনি। মরম অদুনা মায়কৈ অসিগী মীয়ামগী খল্লগা লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিয়ু নৎত্রবদি মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়না ফোঙদোকখি।

# নজরেথ বেন্দ ইম্ফালদা থুংলরে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ১৫(এস এন এস)ঃ

হয়েংদগী হৌদুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ১৯ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা উখ্রুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইরিবা শিরোক ইভেন্টতা শরুক য়ানবগীদমক মালেমগী শক্লাইরবা রোক বেন্দ নজরেথ ঙসি ইম্ফা লদা থুংলখ্রে।

বেন্দ অসিনা ইম্ফালদা হেক থুংলবা মতুংদা কবো লৈকাইদা লৈবা ইম্ফাল হোটেলদা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা বেন্দ অসিনা ১৯৬৮ তা হেক লিংখৎখিবগী হৌনা বেন্দ অসিগী বেজ গিটারিষ্ট ওইদুনা লাক্লবা পেতি এগনিউনা পাউমীশিংদা হায়, অসিগুম্বা ষ্টেট অসিগী অচৌবা ফংসন অসিদা মখোয়বু শরুক য়াহনবা অসিগী নুংঙাইবা ফাওই। মফম অসিদা কন্সর্টকী ইনভাইট হেক লাকপদগী মফম অসিগী মরমদা ইন্টর্নেটিতা য়েংবদা য়াম নুংঙাই অমদি ফজবা মফম অমা শোয়দনা ওইগনি হায়বা খঙই।

চহী ৩ গী মমাঙদসু বেন্দ অসি আইজোলদা লাক্তুনা কন্সর্ট অমা পাঙথোকখ্রে। মতম অদুদগী হৌনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অসি রোক ম্যুজিকপু য়াম্না পাম্নে হায়বসি আই জোলগী কন্সর্ট অদুদগী খঙবা ঙমখি।

হয়েং উখ্রুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা কন্সর্ট অসিসু তোপ তোপ্পা মহাও অমা ফঙগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মসিদসু হয়েং শিরোক্কী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা বেন্দ কম্পিটিসন অসিদা ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা বেন্দ অদুবু মালেমগী মীয়ামদা শক খঙহন্নবসু হোৎনগনি হায়খি।

# য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রহ্লাদ সিংহ পটেল ঙসি ইম্ফালদা থুংলরগনি

ইম্ফাল,ওক্টোবর১৫(এস এন এস)ঃ

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) কলচর অমসুং টুরিজম প্রহ্লাদ সিংহ পটেল নুমিৎনীনিগী খোঙচত্তা হয়েং ইম্ফালদা থুংলরগনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা সিরুই ফেষ্টিভেল হৌদোক্লম্বগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা শিনবা ইনাৎ হায়না মিংথোনবা কলচরেল অমদি লিটরেরি মীটতা শরুক য়াগনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসি হয়েং অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা থুংলগনি হায়রি। মফম অদুদা বি জে পিগী থৌমীশিংনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিবু ওক্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা লোয়ননা সিরুই ফেষ্টিভেল য়াওনবগীদমক হেলিকোপ্টর তোংদুনা উখ্রুলদা চৎকনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা উখ্রুলদা থুংলবা মতুংদা সিরুই ভিলেজদা পাঙথোকপা সিরুই ফেষ্টিভেল, ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যাম, পি ঐচ ই দি মিনিষ্টর এল দিখো, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়ান, লোক সভাগী ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জন অমসুং আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি ডা. লোরহো ফোজেসু শরুক য়াগনি।

সিরুই ভিলেজদা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল হৌদোকপগী থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা মফম অদুদা চাক্লেন চারবা তুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা চীফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা নুংথিল পুং ৩ দা তাঙ্খুল নাগালোং গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা কলচরেল এক্সিবিসন হৌদোক্কনি।

মফম অদুদগী নুংথিল পুং ৩.২৫ তাবা মতমদা বক্সি গ্রাউন্দদা লাক্তুনা মফম অদুদা সিরোক ফেষ্টিভেল, ২০১৯ হৌদোক্লম্লবা মতুংদা হেলিকোপ্টরদা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা থুংলগনি হায়রি।

নুমিদাং হোটেলদা অহিং লেক্লবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ওক্টোবর ১৭ কী অয়ুক্তা নাগমাপালদা লৈবা আর এস এসকী ওফিসতা চক্তুনা মীয়ামগা ৱারী ৱাতায় শান্নবগী থৌরমদা শরুক য়ারবা মতুংদা কাঞ্চিপুরদা লৈবা বি জে পিগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়াগনি।

কাঞ্চিপুরদগী হনলক্লবা মতুংদা অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইনাৎ হায়না মিংথোনবা কলচরেল কম লিটরেরি মিটকী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

# নুং য়ুংবা থিংদে, য়েৎন্নিংঙাই ওইবা ৱাফম...

*লমায় ১গী মখা* চহী ১০০ শুরকপগী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। চীফ মিনিষ্টরসু থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইনবা চেপাউ ফংলিবনি। অদুবু পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়ুংলিবা নীংশিং য়ুম্বী অসিদা ইরিবা ৱাফম অসিগী মতাংদদি লৈঙাক্লা করিসু খঙখিবা লৈতে।

ওইরক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা দিজি পি য়াওনা কুকি ইনপীগী লুচিংবশিং কৌরগা মদুদা ইরিবা ময়েক অদুগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। থৌরম পাঙথোকপা নীংশিং য়ুম্বী য়ুংবা অসিদি প্রোব্লেম নত্তে। অদুবু মদুদা য়াওরিবা ৱাহৈশিং অদুনা অতোপ্পা ফরুপ কাঙলুপশিংদা নুংঙাইতবা ফাওহনগদবা অমদি চরাংনবা থোকনবদি তৌরোইদৌবনি।

নীংশিং য়ুম্বী অদুদা ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা লম হায়বা ৱাফম য়াওরিবা অদু লম হায়বসিদি কনাগুম্বা ফুরুপ কাঙলুপ অমখক্কী ওইবা য়ারোই। মসি ফুরুপ কাঙলুপ খুদিংমক্কীনি হায়বদা মখোয়সু ৱাখল তারবা মতুংদা হনখিবনি।

অদুবু লাইবক থিবদি,কুকি ইনপীনা কুকি খুলশিংগী চীফশিংদা নীংশিং য়ুম্বীশিং মখোয় মখোয়গী কেপাসিতিদা য়ুংনবা পাউতাক পীখ্রে হায়বসিনি। খুল খরদদি ফুরুপ কাঙলুপ খুদিংমক অমসুং লৈঙাক্লা য়ারোইদবা ৱাফম অসি য়াওবা নুঙশিং য়ুংবসু হৌনখ্রবনি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু দি সিশিং অমসুং এস পিশিংদসু অসিগুম্বা নীংশিং য়ুম্বী অসি য়ুংহন্দনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টরশিং য়াওনা ঙরাং মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম অসিমক খঙহনখ্রবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীং অমসুং তমগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং চীংদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তসু নুংশি চান্নবা পুরক্লবা হোৎনরিবা অসি অরেম্বদা তাহন্দনবা হায়খিবনি।

কুকি ইনপীগী লুচিংবশিংদা হান্না য়ুংখ্রবা নুঙশিং অদুগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্ননবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা মখা তানা মসি তৌদনবা হায়খ্রে।

ঙসি অয়ুক চীফ মিনিষ্টরনা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগা লোয়ননা নাগা সিএস ওশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱাফম অসি খন্নখি। নাগাশিংখক্তা নত্তনা মৈতৈ ফুরুপশিংদগীসু ৱাফম অসিগী মতাংদা পুখৎলক্লিবা য়ানিংবদা ৱাফম অসিগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা নাগাশিংনা মখোয়না অপাম্বা তৌদনবা হায়খ্রে। ৱাফম অসি ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিবনি।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা পুন্নমক্লা য়ান্নবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরি। ৱাফম অসি হোম মিনিষ্ট্রিদা খঙহনবগা লোয়ননা হৌজিক চত্থ–নরিবা সুগী ইন্টরলোক্যুটরদসু মসিগী ৱাফম অসি খঙহনখ্রে।

ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা কুকি ইনপীগী মায়কৈদগীসু কন্না হোৎনরি হায়না তাই। লৈঙাক্লা কুকি নৎত্রগা নাগাবু মীরাইবগী ৱাফম নত্তনা লমদম অসিদা চরাংনবা থোক্তনবা হোৎনবনি।

লৈঙাক্লা অমসুং ইন্টরলোক্যুটরগী মায়কৈদগীসু কুকি ইনপীদা ৱাথোক ওইরিবা ৱাহৈশিং অদু লৌথোক্লবা হায়খ্রে। মসি হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগীসু খঙহনলকপা লৈখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হয়েং অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরগা কুকি ইনপীগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা মখা তানা ৱারি শান্ন–খগদৌরি। লোয়ননা ৱাফম অসি লৌথোক্লবগী মতাংদা খন্নগদৌরি। মসিগী থবক অসি ফুরুপশিং ৱাখল তামিন্নরবা মতুংদা য়ান্নবা লাক্কদৌরিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্লা চঙশিনলকপা থবকশিং অসি কুকি মীয়াম্না হায়রিবা ৱাহৈ অসি লৌথোকপীয়ু হায়না আপীল তৌবগা লোয়ননা ৱাহৈ অসি য়াওবা নুঙশিং য়ুংবীদনবসু আপীল তৌখিবনি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা ফুরুপ মশেল মরক্তা পাউ ফাওদোক্লদবা ফিভম অসি লৈহন্দনবা অঙম্বা থাক্তঃ হোৎনরি। লোয়ননা পোজিটিভ ওইবা ফিভম অমা লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

ঙসি অয়ুক চীফ মিনিষ্টরনা ময়ায় তাঙবল লৌদুনা কম্বাইন হেদ ক্বার্টরগী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম অসিগী মতাংদা খন্নখি। লোয়ননা সেক্যুরিতিশিংনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা খঙহনখি। লৈঙাক্লা য়ারিমখৈ প্রোব্লেম থোহন্দনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি হায়না সি এসনা হায়খি।

# অংকাইলোংদিগী খুঞ্জাশিংনা...

*লমায় ১গী মখা* হিংনবগী লম্বী অচৌবা অমা ওইরিবনি। মফমসিগী লৈবাক– লৈহাও অসি য়ান্না ফৈ। মনা–মশিং থাবদা লোইনা চান্নবা হৌই। খূৎশেমগী হার তিলহাৎ হিদাক অমত্তা শীজিন্নদে। ওর্গানিক ওইবা মওংদা লোয়নমক পুথোকপনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, খুল অসি সেনাপতি হেদক্বার্টরগা য়াম্না লাপ্পদবনিনা অঙাংশিংনা মহৈ–মশিন তম্বগী ওইনদি অৱাবা লৈতে। লোয়ননা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরসু নীংথিনা মথৌ তৌবনা অনা–অয়েক য়াওরক্লবসু অদুম্মক কান্নবা ফংলি।

অদুবু খুঞ্জাশিংনা খুদোংচাবদা মায়োক্লরিবা অসি চান–থক্লবা ঈশিং দনি। এন আর ই জি এস স্কিমগী মখাদা প্লাষ্টিক্স পাইপ খরা লৌথবা অদুগা খুঞ্জাশিংনা খায়নরগা লৈবা পাইপনা চীংগী লোক্তগী ঈশিং পুরক্লগা খুঞ্জাশিংগী হীরম খুদিংমক্কী শীজিন্নবা ওইরিবনি। অদুবু অতোপ্পা মশক খঙদবা মীওইনা চীংদা চৎপদা চাগী পাইপ থুগায়রম্বা থাঙনা য়াল্লম্বা অমদি উমং মৈ থাবিরকপদা য়াও–খবসু য়াওই। খুঞ্জাশিং অসিনা উমং কোকথোক্তনবা ঙাক শেল্লিবনি। নোংজু থা মতমদদি ঈশিং অনৈবা চাউনা লাকপদা থক্লবা ঈশিং ৱাই। মতমগা চুনবা নীংথিনা ট্রেটমেন্ট তৌবা ঈশিং থকপা ফংদবা অসি খুঞ্জাশিংনা নুংঙাইতে। ইলেক্সন মতমদা মীয়ামগী থবক তৌগনি, য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎকনি হায়দুনা মিনিষ্টর ১০ গী মথক্তা ভোট কাদুনা লৈরম্লে। অদুবু ঙসি ফাওবদা খুল অসিগী য়াইফনবা থবক তৌবিরম্মী হায়বা অমা ফাওবা লৈত্রি। অসিনা অচৌবা মরম ওইরগা খুলগী খুঞ্জা অয়াম্বনা পোলিটিক্স তৌবশিংদা থাজবা থমদ্রে। ইলেক্সন লাকপদসু হরাউদ্রে। হৌখিবা চহীদা খুল অসিগী খুঞ্জাশিংগী হিংনবা লম্বী ওইরিবা এগ্রিকলচর অসিগীদমক মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টদগী লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌ–খৎহনবিয়ু হায়না অইবা চেরোল চীফ মিনিষ্টরদা পীখিবা লৈখ্রে। মরী লৈনবা ষ্টাফ খরা নোংমা লাক্লম্লগা য়েংলম্বদগী ঙসি ফাওবা লাক্ত্রি হায়না ফোঙদোকখি।

খুল অদুদা মনা–মশিং থাদুনা ইমুং মনুং পুরিবী চহী ৫৫ রোম শুরবী ৱাই কে কদিঙ্গা কৌবী নুপী অমনা পাউচে অসিদা হায়, খুল অসিগী লৈবাক লৈহাওগী মতেংনা মতম মতমগী মনা–মশিং অলু, কোবী, হৱাই, দসকুশনচিংবা কয়া মরাঙ কায়না পুথোক্লপা ঙম্মী। ষ্টেট লৈঙাক্কী ওইবা খুঙ্গংগী শুরগা নোল্লগা হিংবা মীয়ামগী য়াইফনবা লৌখৎলকপা খুদিংমক নীংথিনা খঙবা ৱাৎলি।

অদুনা অয়াম্বা ফংদবনি। হুমাঙ মমন্না শুজবা অসিনা ৱানা হিংলকপনি। মরু ওইনা থক্লবা ঈশিং অসি নীংথিনা ফংনবা ৱাটর সপ্লাই অমা লৈরবদি নুংঙাইগনি। মী মশীং য়াম্বা খুলসু ওইদবনা ষ্টেট লৈঙাক্লা চাউনা শেম্বীদ্রসু মচা ওইরবসু অথুবদা শেমহন্নীংই হায়না ফোঙদোকখি।

# জি রোবিন্দ্রো শর্ম্মবু অমুক হন্না চীফ ইঞ্জিনিয়ার ওইহনবা য়ারোই

ইম্ফাল,ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস)ঃ

হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী সিঙ্গল বেঞ্চ অমদি দিভিজন বেঞ্চ অনীনা জি রোবিন্দ্রো শর্ম্মবু মখা তানা ফম অমত্তা পুথহনবা য়াররোই হায়খ্রবা মতুংদা নৌহৌননা চীফ ইঞ্জিনিয়ারগী ফম পুহনগনি হায়রিবসি য়াবা ঙম্লোই হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই এন্দ মার্কেটিং সি এস লিমিটেদনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা লিমিটেদ অসিগী সেক্রেটরী এন শরতনা হায়, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা জি রোবিন্দ্রো শর্ম্মবু দিপার্টমেন্ট ওফ আই এফ সি দি হৌজিক্লা ৱাটর রিছোর্সেস হায়না খঙনরিবা দিপার্টমেন্ট অসিদা নৌহৌননা অমুক মখা তানা চীফ ইঞ্জিনিয়ার ওইহন্নবা কেবিনেট মিটিংদা খন্নরে হায়না লোকেল ন্যুজ পেপরশিংদা থেংনরক্লিবসিনা অচুম্বা ওইরবদি লাইবক থিবনি।

তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমদি লূপ কয়ানা জি রোবিন্দ্রো শর্ম্মগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়াদা শরুক য়াগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈঙাক অসিনা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট অসি মুথৎনবা হোৎনবনি হায়না লৌই। মহাক্লা চহী ৪০ রোম ইঞ্জিনিয়ার ওইনা থবক তৌরিঙৈদা করিসু তৌবা ঙল্লমদ্রগা পেন্সন চৎলবা মতমদা অনৌবা থবক থৌওং তৌরক্কনি হায়বা থাজদে। ঙসি ফাওবা দিপার্টমেন্ট অসিদা ফুল ফ্লেজেট ইঞ্জিনিয়ার অমা ফাওবা উবা ফংদ্রিবসি জি রোবিন্দ্রো শর্ম্মগী খুদোলনি হায়না ফোঙদোকখি।

# আই ই দি...

*লমায় ১গী মখা* হেক ফংবগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (ওপ্স), ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সি অমদি অতৈ অহেনবা কম্মান্দো টিমশিং মফমদুদা চঙশিল্লক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুং মণিপুর পুলিসকী বোম দিস্পোজল ইসক্বাদতা পাউ পীবদগী বোম ইসক্বাদ টিম অমা লাক্তুনা কুপ্না য়েংশিনখি। অদুবু আই ই দি বোম অদু রিমোটনা কন্ট্রোল তৌবা মখলগী ওইবনা লৌথোকপদা খুদোংচাদবা লৈবদগী আসাম রাইফলসকী জাম্মর গারী শিজিন্নরগা নুমিদাং পুং ৯ রোম তাবা মতমদা বোম ইসক্বাদকী টিম অদুনা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা লৌথোকখি। বোম অদু কানানা করিগীদমক থল্লম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি অমদি কনাগুম্বা অমত্তনসু ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

# পুঙ্কক চাউবা খামেন ...

*লমায় ১গী মখা* পান্না লৈনে। হৌজিক্তি মপানদা থাদোক্লনবা ললোনবা কয়ামরুম লৈরবা মরন্না মখোয়না পুল্লপ–পুল্লপ লৈশিনখিবদগী ইম্ফালদা শিংগী মমল ৱাংখৎলকপনি হায়রি।

মনা–মশিংশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী তাংবা কাঙলূপ্তা তিলহৌ অমসুং চনমসু য়াওরি। ইন্দিয়াগী ওইনা পুশিল্লকপা তিলহৌদি হৌজিক হৌজিক কে জি ১ দা লুপা ৫৮ দগী ৬০ ফাওবা পীরি। অদুগা ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা তিলহৌনা কে জি ১ দা লুপা ৩৬ তগী ৪০ ফাওবা পীদুনা দিল্লিদগী মণিপুরনা তিলহৌ মমল তাথরি। অদুমকপু মীয়ান্না ম্যান্মারগী তিলহৌ অসি কয়া পান্নদে। পেট্রুকলৈ মচু মানবা ইন্দিয়াদগী পুশিল্লকপা অতাংবা মখলগী তিলহৌশিং অদু ওইনা পান্নে।

মমাঙ থাদা ইন্দিয়াগী চনম কিলোগ্রাম ১ দা লুপা ৮৫ পীরম্বদু হৌজিক্লা লুপা ১৬০ পীরে। অদুগা মমাঙ থাদা ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা চনম কে জি ১ দা ৯০ পীরম্বদু হৌজিক্লা লুপা ১০০ পীরে। মনা–মশিংগী কাঙলূপতা হোংথরকপা হায়ববু উ–মোরোক খক্তা ঙাইশিল্লক্রে। কোবী থমচেৎ, কোবী ফুল, থবীনচিংবগী মমলসু য়ান্না ৱাংলে। থা ১ গী মমাঙদা লুপা ৪০ পীরম্বা কোবী থমচেৎ হৌজিক লুপা ৬০ পীরে। থবী লুপা ২৫ পীরম্বদগী হৌজিক ৬০ পীরে।

গোসরিগী পোৎলমশিংগী মনুং চল্লিবা হৱাই–চেঙৱাইশিংসু অয়াম্বনা ইন্দিয়াদগী পুশিল্লক্রে। ম্যান্মাররোমদগী পুশিল্লক্লে। মদুনা মরম ওইরগা অতৈ ষ্টেটশিংদা পীবা মমলশিংদগী মণিপুরদা ফীভম খরা ফরি হায়না লৌনরি। মঙ্গল মপুম কে জি ১ দা মমাঙ থাদা লুপা ৫৫ পীরম্বদু হৌজিক লুপা ৪৮ দা হম্বরে। কাংতক কে জিদা লুপা ৬০ পীরম্বদু হৌজিক ৫৫ দা হম্বরে। হৱাই মুক কে জিদা লুপা ১০৫ পীরম্বদু লুপা ৯০ দা হম্বরে। অদুমকপু লৈবাক হৱাইদি হান্না কে জি ১ দা লুপা ১১০ পীরম্বদু হৌজিক লুপা ১৩০ ফাওবা য়োল্লে হায়রি।

মীয়ান্না লৈনরিবা চান–থক্লবা মনা–মশিং অমদি গোসরিগী পোৎলমশিং অসিগী মমল মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তনা লেপ্তে, ললোনবশিংনা ওইনা লেপচৈ। লম্বীদা লোনা য়াদবা মখলগী লৌহৌবা টেক্সশিংগী শেনফম অমসুং ট্রান্স–পোর্টেসনগী ৱাংখৎলকপা শেনফম পূন্নমক হাপচিল্লগা ললোনবশিংনা মমল লেপ্পগা মীয়ামদা য়োল্লি। শন্না হায়রবদা মণিপুরগী মীয়ামগী অচা–অথক্কী পোৎলমশিংগী মমল লৈঙাক্লা লেপ্ত্রে, ললোনবশিংনা লেপ্লে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# মণিপুরদা নুপীনা শোখদে...

*লমায় ১গী মখা* হৌরকখিবনি। মসিদসু নত্তনা কংলৈসিলনা পুথোকচবা সলাই তরেৎকী বেদজ অসিবু মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল (মাসটেক) না শকখঙবিদুনা কংলৈপাক্কী বেদজ হায়না মমিং থোনদুনা পেটেন্ট রাইট পীরকখিবা লৈরে।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লং ওইনা চিংবদা শিজিন্নবা য়াদ্রবা অমদি অরেম্বা মুগা মহুমগী মচাকশিং অদুবু লেম্না মাংহনবগী মহুত্তা কংলৈসিলনা লমদম অসিদা মমাঙঙৈদগী শাৎপা লৈশিংগী মশক মওং লৌরগা শাদুনা পুথোকপনি। মসিনা ফার্ম অসিদা থবক তৌজরিবশিংদা শেন্দোং পীবখক নত্তনা লমদম অসিদগী মুৎশিল্লক্লবা অমদি নাৎকা শাগোন্নদুনা লাকপা লৈশিং অদুগী মশক মওং অদু ঙসিগী মীরোল অসিদা উৎথোকপনি।

হৌজিক কংলৈসিলনা মুগাগী লৈ পরেং, লৈ নাচোম, থোঙজিলগী লৈতেং, ফঙ্কসনদা বেদজ, নাচোম, ৱাল হেগিংনচিংবা তোঙান তোঙানবা পোৎলম ২৪ হেন্না পুথোক্লি।

পোৎলমশিং অসি হৌজিক্কী ওইনা মতম মতমগী পাঙথোকপা মেলাশিংদা অমদি কৈথেল এক্সপ্রেস, জেসস সোপনচিংবদা ই মার্কেটিংশিংগী খুথাংদা ওন লাইনদা য়োনবগী থবক চত্থরি হায়রি।

কংলৈসিলনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং অসি মণিপুরগী মনুং অমসুং অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্না লৈনরি। অদুবু থবক শুরিবা মীশিং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ওর্দর পীবা ঙমদবা কয়া অমসু য়াওরি।

কংলৈসিলনা হেক লিংখৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং অমত্তা পাংলকপা লৈত্রি। করিগুম্বা শেনফম খরদা ওইরবসু মতেং পীরক্লবদি ফার্ম অসিগী মখাদা মীওই ১০০ হেন্না থবক পীবা ঙমদুনা লমদম সিগী থবক ফঙদদুনা লৈরিবা নহাশিংগী মতেং পাংবা অমদি ইনাৎকা মরী লৈনবা পোৎলমশিং অসি মীয়ামদা হেন্না শক্তাকপসু ঙম্লগনি হায়বগী থাজবসু শান্তিনা ফোঙদোকখ্রে।

# য়েন্দেমখক থাবদা...

*লমায় ১গী মখা*

মহাক্লা হায়, মনা মশীংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মতম শাংনা শেল ওন্থোকপা য়াবা পান্থী খনবদা য়েন্দেম অসি নত্তনা অতৈ লৈতবা লোয়ননা মেন্টেনেন্সসু কা হেন্না চংদবনা মহাক্লা য়েন্দেম অসি খনখিবনি।

মহাক্লা লৌ শঙম অমদা য়েন্দেম অসি তাঙ্কক অনীরক থোক্লা থাবগী থবক অসি চৈখে। অহানবগী ওইনা চহী খুদিংগী এপ্রিল থাদগী থাবা হৌরগা মে থাদগী ওগষ্ট থা ফাওবা মকা হেকপগী থবক চৈখে। লোয়ননা সেপ্তেম্বর ওক্টোবর থা অনী অসিদনা মপান্থী ফুক্লগা য়োনলি।

হায়রিবা মতম অসিদদি য়েন্দেম অসি খরা তাঙবা মতম ওইবনা নোংমদা লুপা লিশিং ১ ফাওবা য়োনবা ঙম্মী। লৌ লৌখায় অমদা মহাক্লা য়েন্দেম পান্থী ৩৫০০ ফাওবা থাই।

মহাক্লা য়েন্দেম থাবা হৌদ্রিঙৈদা শেম শারবা মফম অদুদা ফদিগোম অসি হুনজিল্লবা মতুংদা য়েন্দেম পান্থী মচাশিং অদু লিংথোকপনি। য়েন্দেম ঈশিং চাইবা মতমদা ফদিগোমসু ঈশিং চাইবগা পুন্না চত্থবা য়াবনা ফদিগোমশিং অদু য়েন্দেম খর চাউখৎলকপা মতমদা ফোইদোক্লগা য়োনবগা মপা চান্নে।

মহাক্লা মে থাদগী ওগষ্ট থা ফাওবা থা মরি অসিদা শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ১.২০ লোম য়েন্দেম মকা য়োনবদা তানবা ঙম্মী। লোয়ননা সেপ্তেম্বর ওক্টোবর থাদা মপান্থী ফুক্লগা য়োনবদা পান্থী অমদা লুপা ১০ দগী ২০ ফাওবা শিংলি। মরম অসিনা য়েন্দেম মপান্থী য়োনবদা লুপা লিশিং ৩৫ দগী তাদনা অহেনবা শেনফম ফংবা ঙম্মী।

মহাক্লা ফদিগোম য়োনবখক্তদা থা অনীদা লুপা লিশিং ২৫দগী তাদনা হায়রিবা মতম অসিদা তানবা ঙম্মী। মরম অসিনা অহানবগী থা মরি অসিদা মহাক্লা লুপা লাক্ষ ১.৮০ দি লায়না তানবা ঙম্মী হায়খি।

অনীশুবা তাঙ্কক্তা লেমহৌরিবা লৌখায় অদুদা অমুক অহানবা থাবা য়েন্দেমশিং অদুদগী চোংথোরকপা পান্থী চারাশিং অদু ফুক্তোক্লগা লিংথোকপগী থবক চত্থবনি। মসিনা জুন থাদগী লিংথোকপা হৌরগা জুলাইদগী মকা হেক্লগা য়োনবা হৌরে। মসিনা ওক্টোবর থা ফাওবা মকা অসি হেক্লগা য়োনলি।

ইমোচানা মখা তানা হায়, অকোনবগী পান্থী থাবা মতম অসিদদি য়েন্দেম অসি খরা হোংথরকপা মতম ওইবনা মকা হেক্লগা য়োনবদা নোংমদা লুপা ৬০০ তগী ৮০০ ফাওবা ফংই। মরম অসিনা থা অমদা লুপা লিশিং ১৮ দগী লিশিং২৪ ফাওবা তানবা ঙম্মী। মরম অসিনা চাংচত্তা থা মরিদা য়েন্দেম মকা হেকপদা লুপা লিশিং ৭২ দগী ৯৬ ফাওবা তানবা ঙম্মী।

মসিগী পান্থীশিং অসিনা নভেম্বর দিসেম্বর থাদা মপান্থী ওইনা য়োন্থোকপনি। লোয়ননা মতম অসিদসু পান্থী অমদা লুপা ৮ দগী ১০ ফাওবা পীরগা য়োল্লি। লোয়ননা লুপা লিশিং ২৮ দগী তাদনা তানবা ঙম্মী। সিজন অসিদসু য়েন্দেম থারমদাইদা ফদিগোম অদুমক হুনবগী থবক চত্থবনা থা অনীদা লুপা লিশিং ২২ দগী তাদনা ফংবা ঙম্মী হায়খি। লোয়ননা অকোনবগী সিজন অসিদসু মহাক্লা থা মরিদা লুপা ১.২২ দগী তাদনা তানবা ঙম্মী।

লৌরোক অনীরক য়েন্দেম থাবা অসিদা থা ৮ দা মহাক্লা য়ামদ্রবদা লুপা লাক্ষ ৩.০২ দগী তাদনা য়েন্দেম অমদি ফদিগোমখক্তদা তানবা ঙম্মী হায়খি। মহাক্লা হায়রিবা শেনফম অসিদগী থাবদা চঙখিবা শেনফম চউরাক্লা লুপা লিশিং ২২ রোম খায়দোকখ্রবসু থা ৮ অসিদা লুপা লাক্ষ ২.৮০ গী মথক্তা তানবা ঙম্মী হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

য়েন্দেম ফুক্তৎখ্রবা মতুং নভেম্বর–দিসেম্বর থাদগী মফম অদু খোইগাইরগা আলু অমুক থাগদৌরিবনি। মসি নিংথিনা লোকপা তারবদি মদুদগী অহেনবা শেনফম অমুক্কসু তানবা য়াই হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

ইমোচানা হায়, মহাক্কী য়েন্দেম অসি লল্লোনবীনা লৌরবা মতুংদা রিগুলার কষ্টমরশিংদা অমুক য়ৌহনবনি। কষ্টমরশিংগী মনুংদা খরদি য়েনগী মচিঞ্জাক ওইনবগীদমক লৈবা য়াওরি।

মহাক্লা য়েন্দেম থাবা মতমদা হার হাপ্তে। মহাক্কী পোলত্রি ফার্ম অদুগী থোরকপা য়েম্থি অদুনা হার ওইনা শিজিন্নবনি। য়েন্দেম পান্থীশিং অসি থাবা মতমদা মহাক্কী ইমুং মনুংখক্তনা চত্থবনি।

মহাক্কী ফার্ম অসিদা চাংয়েং ওইনা কৌখা থাদুনা পোথোক পুথোক্লবসু হোৎনরি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

মহাক্লা হায়, মহাক্লা য়েন লোইবা অমসুং মনা মশীং থাবগী থবক চত্থবা অসিদা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংদগী থোইনা মতেং ফংবা লৈতে। য়েন লোইবা মতমদা বেঙ্কতা লোন পীবিনবা হায়রবদা য়াম্না তাবদা নুংঙাইতবা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোরকপা য়াওখি।

লৈঙাক্লা অসিগুম্বা মশাগী শুনিং নোম্নিংবা মীওইশিংবু শৌগৎপীফম থোকই হায়না লৌই। মশানা পোথোক্তি পুথোক্লিংবা অদুবু শেল্লেপ পুথোকপীনবা লৈতবনা থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমজদবা মীওইশিংবু লৈঙাক্লা মতেং পাঙহন্নিংই হায়খি।

লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা নহাশিংনা শুবা নোম্বগী কলচর অমা শাগৎলগা য়ুমদা লেঙদনা লৈবা য়াবা মওংদা লৌ লোকথোকখ্রবা মতুংদা হাংদুনা লৈরিবা লৌফমশিং অসি শংনা চহী চুপ্পা লৈহনবা ঙল্লবদি মণিপুর ইনাক খুনবা ষ্টেট অমা ওইহনবদা মতেং পাঙগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।